### সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা অসাম ২-০দা থোইদুনা সেমীফাইনেলদা ওরিষ্যাগা থেংনরগনি




কুথুপরম্বা, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): কেরলানা যূম্বু ওইদুনা ষ্টেট অদুগী সিটি কুথুপরম্বাদা লৈবা ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরনা হিরো সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা অসামবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেলদা ওরিষ্যাগা লম্বা তৌনরগনি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। নেসনল চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ২০লক লৌবা ঙম্লবা রেকোর্দ থম্লিবা মণিপুরগী মায়কৈদগী ৯শুবা মিনটতা য়াঙ্গোইজম কিরনবালা চনুগী পাঞ্জলনা ক্বার্টর ফাইনেল অদুগী অহানবা ওইহনখি। অসামগী মায়কৈদগী পাঞ্জল শোথখিবা অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মতাং মতম চানা মখোয়গী দিফেন্স লাইন অদুবু মপাঙ্গল কলহনবদগী অহানবা হাফ১-০দামণিপুরনা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা মণিপুরগী থিংবাইজম বেবিসনানা মিটর ২৫ ৱাৎলিঙৈদগী কাওশিনখিবা শাফূ কল্লবা শোট অদুনা টিমগী ২শুবা পাঞ্জল ওইখি। লেমহৌরিবা মতমশিং অদুদা অসাম কান্নবা ফংদনা ০-২দা মায়থীহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মণিপুরগা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা সেমীফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবা ওরিষ্যানা টামিল নাদুবু পাঞ্জল ২-০দা থোইরমখি। ওরিষ্যাগী মায়কৈদগী করিশমা ওরামনা ২৭শুবা মিনট অদুগা সত্যবতি খাগিয়ানা ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জলশিং অদু চনখিবনি।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অমা ওইরিবা মিজোরামনা ঙসি কোজিকোদ সিটিদা লৈবা ঈ এম এস কোর্পোরেসন ষ্টেদিয়মদা মহারাষ্ট্রবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা মখোয়সু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মিজোরামগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী অঙনবা শরুক্তা ইলিজাবেথ ভনলালমাৱি অমসুং লালনুনসিয়ামিনা মথংশিংনা ১০শুবা অমসুং ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা মহারাষ্ট্রবু ২-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা মহারাষ্ট্রগী মায়কৈদগী কারেন পাইসনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। অদুবু এটেক তৌবগী চাং হেনখিবা মিজোরামগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা শান্নরোয় অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্গসু চন্দুনা ৪-১দা মায় পাকখি। লালনুনসিয়ামিনা ৬৬শুবা মিনট অদুগা ইলিজাবেথনা ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জলশিং অদু চনখিবনি।

মিজোরামনা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা রেলৱেজগী টিমনা গোৱাবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল গোৱাগী সুস্মিতা য়াদবনা চনখিবনি। অদুবু রেলৱেজকী মায়কৈদগী সুপ্রিয়া রোট্রিনা থংন-থংননা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। টিম অদুমক্কী মমতানা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা গোৱাগী মায়কৈদগীনা সুস্মিতানা ইঞ্জ্যুরি টাইমদা পাঞ্জল ১ চনখি।

# ফ্রান্সকী মখূৎতা মায়থীদুনা ইন্দিয়া মরিশুবা তাখ্রে




ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ওরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা মমাং থাগী ২৪দগী চথরকপা হোক্কী মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ২০২১গী যূম্বু ইন্দিয়া ঙসি ফ্রান্সকা শান্নবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচ অদুদা ১-৩দা মায়থীদুনা ৪শুবা পোজিসন তাহৌরে।

ইন্দিয়াগী টিম অসি মমাংগী এদিসনগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মখোয়না গ্রুপ মেটচ শান্নরকপদসু ফ্রান্সকী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর অদুদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরগী ময়াই চনশিল্লকপা ২৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা টিম অদুগী কেপ্টেন টিমোটি ক্লিমেটনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লক্লবা শান্নবগী অহুমশুবা ক্বার্টরদা মখা তানা ফ্রান্সনা ফজবা হেঞ্জিল্লকপদগী পেনাল্টি কোর্নর অমগসু ফংখি। খূদোংচাবা অদু অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ক্লিমেটনা ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৪২শুবা মিনটতা সুদিপ চির্মাকোনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মেটচ অদুদা ইন্দিয়া ইনখৎলক্লবা তাঞ্জা অমা শেমখি। অদুবু অরোইবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ফ্রান্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমগা ফংদুনা মমাংদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা টিম অদুগী কেপ্টেন ক্লিমেটনা অমুক্কসু পাঞ্জল ১গা চল্লগা ইন্দিয়াবু ৩-১দা থোইদুনা ফ্রান্স অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নবা ফাইনেল মেটচতা অর্জেন্টিনানা জর্মনিবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী লোটারো দোমিনিনা পেনাল্টি কোর্নর ৩ পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হেটট্রিক ফংখি। টিম অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল ১ অমনা ফ্রাঙ্কো ওগোষ্টিনিনা ফিল্ড গোলদা চনখিবনি। অদুগা জর্মনিগী মায়কৈদগীনা জুলিয়স হেন্নরনা ফিল্ড গোল ১ অদুগা মাসি ফন্টনা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী চনখিবনি।

# ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ১৩-০দা থোইদুনা ৱিমেন্স এসিয়ন ট্রোফি কেম্প্যেন হৌখ্রে




দোংহে, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী সিটি দোংহেদা লৈবা সনরাইজ ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা ৱিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি অহানবদা কুমজা ২০২০গী জুন থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা সেপ্টেম্বর থাদা অমুক পাঙথোক্কনি হায়না মতম অমুক লেপ্পুরবা মতুং মখা তারকপদা চহী অসিগী মার্চ অমসুং এপ্রিল থাদা শান্নবা য়ানবা মতম শেমখিবা অদু য়ারক্তবদগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্লবা লেপ্নরম্বনি। মখা তানা অমুক য়েথোকপদগী ঙসিদগী হৌখিবনি।

এসিয়াগী মকোক থোংবা হোক্কী শান্নবা পুন্না টিম ৬না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মালেসিয়াগী টিমদি অহৌবা মেটচ অনী অদু শান্নবা ঙম্লোইদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন সাউথ কোরিয়ানা ওইরি। ইন্দিয়াগী টিমনা ২০১৬তা টাইটল অমা লৌবা ঙম্বদা ঙাইরি। সাউথ কোরিয়ানা টাইটল অহুম্লক, অদুগা জপানসু অমুরক লৌখ্রে। হন্দক্কী চহী অসিদা থাইলেন্দগী টিম অহানবা ওইনা শরুক য়ারক্লি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দগী টিমগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা হৌবদগী খূদুম চন্দুনা অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। গুরজিৎ কোরনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা চনখি। বন্দনা কটারিয়া, লিলিমা মিঞ্জ, জ্যোটিনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা গুরজিৎনা পাঞ্জল অমগসু চনশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ৪ হাপচিল্লগা হাফ লোইশিল্লকপদা ৯-০দা হেন্দুনা লৈখি। গুরজিৎ কোরনা হায়রিবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল ২ হাপচিন্দুনা হেটট্রিক হেন্দুনা পাঞ্জল ৪ শুখি। লিলিমা মিঞ্জ অমসুং রাজ ৱিন্দর কোরসু ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল অমমম্ হাপচিনবা ঙমখি।

হাফ মতুংদা শান্নরকখিবা অহুমশুবা ক্বার্টরদা থাইলেন্দগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মায়োক্তা বোল পুশিনবা য়াবগী খূদোংচাবা ইফং ফংখিদে। জ্যোটিনা ফিল্ড গোল ১ অদুগা সোনিকানসু ফিল্ড গোল অমা চল্লগা পুন্না ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ১১ শুখি। অরোইবা ক্বার্টরদা মোনিকাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ অদুগা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখ্রবা গুরজিৎ কোরনা মহাক্কী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা থাইলেন্দবু ইন্দিয়ানা ১৩-০দা থোইখি।

যূম্বু ওইরিবা অদুগা মমাংগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগা ঙসি জপানগা লম্বা তৌনখিবা রাউন্দ রোবিন মেটচ অদু য়াম্না লেং মান্ননা অমনা অমগী মায়কৈদা কা-হেন্না প্রেসর পীবা ঙম্নদনা শান্নখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবা লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা জপানগী কানোন মোরিনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ১-০দা থোইখি।

## নাসা অমসুং ক্রুন মায় পাকখ্রে

মোইরাং, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা ঐচ নিলমণি ঙাংখলম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরকপা অহানবা কে বুধি সিংহ মেমোরিয়ল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচতা এন এ এস এনা এস ঈ ভি এবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ক্রুননা অমোফা একাদেমিবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এন এ এস এ অমসুং সেবাগী মেটচ অদু হৌরকপা মিনট ১৫ রোমদি পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। নাসানা পুশিল্লকপা এটেক অমদা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯ অর্সননা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এস ঈ ভি এবু ১-০দা মাঙজিল থাখি। পুংখায় অমমম্গী ওইবা হাফ অনীগী লম্বা অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা নাসাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ লমজিংবনা ২৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ পাঞ্জল ২ শোথরবা সেবাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১০ এদিসননা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মখা তারকপা লেমহৌরিবা মতম অদুদা টিম অদুনা ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমহৌদবদগী ১-২দা মায়থীবা নংখি।

নুংথিল শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেটচতা ক্রুন অমদি অমোফা একাদেমি লম্বা তৌনবনি। ক্রুনগী মায়কৈদগী শান্নবা হৌরকপগী শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৮ মোমোননা পাঞ্জল ১ চল্লগা অমোফা একাদেমিবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অমোফা একাদেমিগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা মখোয়না হোৎনরকখিবশিং অদু কান্নবা ফংদনা লাকখি। অনীশুবা হাফতসু টিম অদুগী ইক্বেলাইজর ফংদনা মায়থীখি।

## শান্নরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে




য়াইরিপোক, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ১২রকশুবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০২১দা মনা-মথুম ফংলকখ্রবা অমদি শরুক য়ারুবা লময়ানবা জিম য়াইরিপোককী শান্নরোয়শিংবু হরাউ তয়াম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি য়াইরিপোক তোপ চীংথা পুখ্রি অচৌবা মপাল কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

য়াইখোম্বা সনাবমনা মিষ্টর কংলৈপাক্কী টাইটল ফংখি। জুনিয়র মিদিয়মদা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইদুনা কৈশাম মিজেননা গোল্ড মেদল ফংখি। জুনিয়র শোর্টতা মুতুম কেনেদিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। লোয়ননা সব-জুনিয়র শোর্ট গ্রুপতা ফাঞ্জৌবম সমানন্দ অমসুং কোঞ্জেংবম নিলাকাস মৈতৈনা মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

শান্নরোয়শিং অদু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা অচম্বা খূদোল পীখি। তোপ চীংথা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান য়ুম্নাম তোম্বনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখি।

## দিসেম্বর ২০দগী হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট অকোইজম নুপামচা (ইবোচা) অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গর্লস হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২১ তৌবুংখোক অৱাং লৈকাই লম্পাক্তা থা অসিগী ২০দগী হৌরগনি হায়না তৌবুংখোক ৱেলফেয়র ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ক্লব অসিদা মণিপুর হোক্কী অমদি হোক্কী য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নরগা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোলশিং খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## সি কে সী ফুটবোল লোইশিনখ্রে

জিরিবাম, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী চীংদোং লৈকাইদা লৈবা কমল লম্পাক্তা মমাং থাগী ২১দগী চথরকপা অনীশুবা সী কে সী ফাইব এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ ঙসি ফাইনেল শান্নরগা লোইশিনখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অদুদা কমরঙ্গ মুস্লিম য়ুঠ ক্লব (এ) অমসুং নেসনল য়ুঠ ক্লব সিঙ্গরবনগা লম্বা তৌনবদা অপীবা মতমদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী পেনাল্টি শুট আউটতা কমরঙ্গ মুস্লিম ক্লব (এ)না নেসনল য়ুঠ ক্লব সিঙ্গরবনবু ১-০দা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অদুদা রন্নিং ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০ পীখি। লোয়ননা রন্নর্স অপ তারবা টিম অদুদনা রন্নিং ট্রোফি অমসুং শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৬ পীখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সী কে সী চীংদোং লৈকাই জিরিবামগী চ্যেরমেন এফ অহমদ সাজবাম, দিবোং গ্রাম পঞ্চায়ট জিরিবামগী প্রধান আর কে নোবিনসনা, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত অমদি য়াওল ক্লব চম্পানগরগী ফাইনান্স সেক্রেটরি কে প্রিয়োকুমার শরুক য়াখি।

## এস এফ সীনা সঙ্গিতা মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী মকোক ওইখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা পাঙথোকপা ২৭শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১দা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লব তেরানা টাইটল লৌদুনা সুপর দিভিজনদা প্রমোট তৌখ্রে।

ফাইনেল মেটচতা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লব (এস এফ সী) তেরানা ৱাই য়ু সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ২৭শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১গী টাইটল ফংখি।

## নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল বিদ্যাসাগর অমদি প্রিয়ানা লৌখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর বেদমিন্টন এসোসি-এসনগী লমজিং মখাদা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৬৫শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা নুপাগী অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু বিদ্যাসাগর সলাম অমসুং প্রিয়া কোঞ্জেংবমনা লৌখ্রে।

নুপাগী ফাইনেলদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বিদ্যাসাগরনা ইম্ফাল ইষ্টকী সির্জিৎপু ২১-১৯, ২১-১৬তা থোইখি। নুপীগী সিঙ্গলসতসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রিয়া কোঞ্জেংবমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কে এস ঐচ মহেশ্বরীবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি।

## নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী ওফিস য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল বোদি মীফম ফমখিবগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অমত্তা ওইনা অয়াবা পীখিবদগী কুমজা ২০২১দগীনা ২০২৪ ফাওবা এসোসিএসন অসিগী থৌ পুগদবা অনৌবা মেম্বরশিং অদু খনবদা অয়াবা পীখ্রে। খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্টকী ফমদা হুইদ্রোম প্রেমকুমার, ভাইস প্রসিদেন্টকী ফমদা থৌনাওজম প্রিয়োকুমার, ট্রেজররগী ফমদা য়ুম্নাম দিপেন্দ্র, সেক্রেটরিগী ফমদা হৈগ্রুজম চাবাবু অমসুং এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা য়ুম্নাম দিজেননি।

জেনরেল বোদি মীফম অদুনা অতোপ্পা মেম্বর ৬সু খনখি। মখোয়শিং অদুদি চুংখাম লোইদাং লৈমা, হাওবিজম সন্দালা, অরাম্বম তোন্দাং মৈতৈ, অকোইজম সোমানন্দ, সগোলশেম সমানন্দ অমসুং হুইদ্রোম গুনিতা চনুনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা য়ুম্নাম অমুমচা অমদি অসেম বোকুলজাও মেম্বরশিপতগী মমিং লৌথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ইন্দিয়াগী টিম ব্রাজিলদগী হল্লকখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ব্রাজিলদা লৈবাক ৪গী ওইবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স টুর্নামেন্ট শরুক য়ারুবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিম ব্রাজিলদগী হল্লকখ্রে। মেটচ ৩ শান্নবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপকীদমক কান্নবা কয়া ফংলকখি।

## পি ভি সিন্ধু ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

বালি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী সিটি বালিদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু বি এফ ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা ঙসি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম সিন্ধুনা পোইন্ট ১৬ য়ৌরকপদা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী মায়থীখিবনি। অনীশুবা গেম অদুদদি কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুনা হেন্না লাকশিল্লকপদগী সিন্ধুবু ২১-১২দা থোইরগা টাইটল অদু ফংখিবনি।

পনবা য়াবদি, সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় আন সে য়ংনা সিজন অদুগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসকী টাইটল লৌবা ঙমদুনা মহাক্কী লৈবাক্কী অহানবা শান্নরোয় ওইদুনা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। মসিদসু নৎতনা আন সে য়ংনা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকপা ইন্দোনেসিয়া ওপন অমদি ইন্দো-নেসিয়া মাষ্টর্স টুর্নামেন্টকী টাইটল অনীসু লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, সিন্ধুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা কুমজা ২০১৮দা মহাক্কী ওইনা টাইটল লৌদুনা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলস লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখিবনি। সিন্ধু অমসুং আন সে য়ং অনীগী মরক্তা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অনীমক সিন্ধু মায়থীবা নংখি। অদুগা ঙসিগী ফাইনেল অদুদসু মহাক মায়থীদুনা থংন-থংননা মেটচ অহুম মায়থীবা নংলি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা দেনমার্ককী ভিক্টর এজলসেননা থাইলেন্দগী কুনলাবুট ভিদিটসার্নবু ২১-১২, ২১-৮দা থোইদুনা নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেন সেমীফাইনেলদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ভিক্টর এজলসেনগী মখূৎতা ১৩-২১, ১১-২১দা মায়থীবা নংখিবনি। অদুগা থাইলেন্দগী কুলাবুটনা মলেসিয়াগী লিজিজিয়াবু ২১-১৮, ২১-১৮দা থোইরমখি।

## কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা ওরিষ্যা এফ সীবু ২-১দা থোইখ্রে

ভাস্কো দা গামা, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): গোৱানা যূম্বু ওইরগা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেদিয়মশিংদা পাঙথোকপা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা ওরিষ্যা এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরকপদগী পাঞ্জল চন্নবা য়াবগী খূদোংচাবা অমত্তা ফংনখিদে। ওরিষ্যা এফ সীগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা থোইবা মোইরাংথেম ১৬শুবা মিনটতা কাঙলোন ৱাংমদা শান্নখিবগীদমক রেফরিনা বূক তৌখি। অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ১৭ চঙশিল্লকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা এড্রিয়ান লুনানা পীরকপা বোল অমবু টিমমেট অলভারো ভাস্কিজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওরিষ্যা এফ সীবু ১-০দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল ১ হেল্লবা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জলদা বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবা এড্রিয়ান লুনানা অমুক্কা হন্না পীখিবা বোল অমদা পি করুথাদটকুনিনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা ওরিষ্যা এফ সীগী মায়কৈদগী নিখিল রাজনা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা মেটচ অদু মখোয় ১-২দা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা হৌজিক পোইন্ট টেবলদা মমাংগী চেম্পিয়ন মুম্বাই সিটি এফ সীনা মেটচ ৪ শান্নবদা পোইন্ট ৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মখোয়গী মথংদা চেন্নাইন এফ সীনা মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৭ ফংলগা ২শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। ঙসি মায়থীখিবা ওরিষ্যা এফ সী ৩শুবদা লৈরি।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।


☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।

☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-B/7200/7/10-2/12

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 310**

**Dominguez Perez,L (2758) - Carlsen, Magnus (2863)**
**Saint Louis Rapid 2020 lichess.org INT (5), 2020.09.16**

1.e4 e5 2.Nf3 d6 3.d4 exd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Be7 6.Bf4 O-O 7.Qd2 c6 8.O-O-O b5 9.f3 b4 10.Nb1 a5 11.g4 a4 12.h4 c5 13.Nf5 Bxf5 14.gxf5 Nc6 15.h5 Nd4 16.Qg2 Kh8 17.Be3 h6 18.Bd3 Nd7 19.Rhg1 Bf6 20.f4 Re8 21.Bxd4 cxd4 22.Nd2 Nc5 23.Nc4 b3 24.Kb1 bxc2+ 25.Bxc2 Rb8 26.Bd3 Rb4 27.a3 Rb3 28.Bc2 Rb8 29.e5 dxe5 30.fxe5 Rxe5 31.Nxe5 Bxe5 32.Bd3 Bf6 33.Qc2 Qa5 34.Rg2 Nxd3 35.Qxd3 Qd5 36.Re2 Kh7 37.Qe4...

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 309 Ans. :**

29. ...f6 30. Nxf6+ The white knight deflects Black's pawn away from protecting the square h6. Opening the line from h7 to f7. gxf6 31. Qh8+ Kf7 32. Rh7+ Kg6 33. Rh6+ Kg5 34. Qxf6+ Kg4 35. Rh4# Killbox mate

35. Qh4# 35. Qg6#

30. Nxf6+ Kf8 31. Rf4 Qc1+ 32. Kg2 gxf6 33. Rxf6+ Kg8 34. Rg6+ Kf8 35. Qh8+ Kf7 36. Rf6#

1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com